# ফাজিনখিবা এস হেরাজিৎ কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি ঃ এ আই পি পি সি

সিলচর দিসেম্বর ২৮ (জে এন এন )ঃ
সি এ এ চৎনবা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিল্লিবা অসিদা শরুক য়ারিবা অসাম ইন্দিজেনস পিপল প্রোটেক্সন কম্মিটি (এ আই পি পি সি)গী জেনরেল সেক্রেটরী সেরাম হেরাজিৎ সিংহবু পুলিসনা ফাজিনখিবা য়ানিংদে অথুবা মতমদা মহাক কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি নৎত্রবদি হেন্না কনবা ইহৌ লাক্কনি হায়না কম্মিটি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি রোংপুর কছারদা লৈবা কম্মিটি অসিগী ওফিস্তা পাউমীশিংগা উনবদা ভাইস প্রসিডেন্ট ইমা লেলিনা হায়, সেরাম হেরাজিৎ গারী শেমগনি হায়না চৎখিবদগী সিলচর পুলিসকী টিম অমনা ৱারী খরা শান্নসি হায়না পুশ্রগা ফাজিন্দুনা থমখিবনি। মীওইবা খুন্নাইনা হিংবদা কিনিঙাই ওইবা মওং কয়া থোক্লি। ইচম চম্না অপিকপা কাঙলুপ অমা ওইনা লৈজরিবা মৈতৈ, কুকি, নাগা,মুস্লিম অমদি অতোপ্পা কাঙলূপ কয়াবু নমথবিরগা কাঙলূপ অমাখক্তগী ওইগদবনি হায়বসি পেন্দে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি অসাম গভর্ণমেন্টনা সেরাম হেরাজিৎ সিংহবু সি এ এ চৎনবা য়ারোই হায়বগী ৱাকৎ মীফমদা য়াওই হায়দুনা মরাল লৈ লৈতে খঙদনা এক্ট কয়া পানশিন্দুনা ফাজিনবা অসি মরম চাদে। অদুনা মহাকপু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বনি। করিগুম্বা থাদোক্ত্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়বগী ৱাফমসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা য়াওখিবা ইনফোর্মেসন সেক্রেটরী ওক্রম লখিকান্ত সিংহনা হায়, সেরাম হেরাজিৎ করম্না ফাখিবনো হায়বা খঙহৌদে। এ আই পি পি সিনা সি এ বি অমদি সি এ এগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া অমা চঙশিনখিবদি লৈ। অদুবু য়াম্না দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চঙশিনখিবনি। মরম অদুনা মহাক ফাজিনখিবা অসি দিমোক্রেসিগী চৎন–কাঙলোনগী ৱাংমদনি। মহাক ফাখিবা মতমদা এরেষ্ট ৱারেন্টনচিংবা পীখিবা লৈতে। তুমিন্না কৌরগা ফাজিনখিবনি। মরম অদুনা মহাক কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি।

য়েলহৌমীশিংগী ইসু কয়া লৈরিবা অমদি ঐখোয় করম্না হিংগনি হায়বগী মীপাইবগা লোয়ননা ওর্গনাইজেসন অসি শেমদুনা খোঙজং চঙশিল্লকপা অসিদা জেনরেল সেক্রেটরিবু ফাজিনবা হায়বসি মরম চাদে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনবা অদুদা এ আই পি পি সিগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

## সি এ এ চৎনবা য়ারোই হায়না হৈরোক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে




থৌবাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
নোর্থ ইষ্টতা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০১৯ চৎনবা য়ারোই হায়না নিঙোল ক্লব হৈরোক্কী থৌমীশিংনা ঙসি হৈরোক পার্ট থ্রি চম্প্রা থোংদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা নিঙোল ক্লব হৈরোক্কী সেক্রেটরী জেনরেল সোফিয়া খুন্দোংবম্না হায়, মণিপুরদা আই এল পি চৎনরগসু নোর্থ ইষ্টতা সি এ এ চৎনবা তারগদি আই এল পিনা য়েলহৌমীশিংবু কনবা ঙম্রোই। অদুনা আই এল পি চৎনরে হায়দুনা পেন্থোক্তুনা লৈবগী মতম নত্তে। নোর্থইষ্ট অসি মীতোপশিংগী দম্পিং গ্রাউন্দ ওন্থোক্তুনা য়ামজদ্রবা য়েলহৌ মীয়াম্বু মাঙহন্নবগী অরোনবা লম্বী ওইনা দিভিজন পোলিসি তৌদুনা অসাম অমদি ট্রিপুরাদা চৎনহনবা হায়বসি সমুদ্র ইপাক্তা থৌরিবা জহাজ অমগী অপিকপা অহোবা মখুল অমা য়াওরক্তুনা পূন্না লূপ্তুনা মাঙখিবগুম মীতোপশিংগী মখূত্তা ঐখোয় মাঙখিনবা লম্বী ফাৎপনি হায়বগী ৱাফমসু থম্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা সি এ এ শৌগৎতুনা হয়েং রেল্লি চৎকনি হায়রিবা অসি পাঙথোকখিবা তারবদি মণিপুরগী পুৱারিদা য়াম্না লাইবক থিবা অমুবা কালিনা য়েক্তুনা লৈহৌরগনি। অদুনা হয়েংগী খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবিদনবা মীয়ামদা নিঙোল ক্লব হৈরোক্না আপিল তৌখি।

## মৈরা পায়বী নুমিৎ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
ওল মণিপুর ৱুমেন্স সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)না শীন্দুনা ৩৯ শুবা মৈরা পায়বী হৌদোকখিবা নুমিৎ থৌরম হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খাবম মনিং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অদুদা নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট থোকচোম ওংবী রমনি লৈমা, অমকিলগী প্রসিদেন্ট ফাঞ্জৌবম ওংবী সখি লৈমা, তম্মী–চীংমীগী প্রসিদেন্ট সোইবম ওংবী মোমোন লৈমা, য়ু সি এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম অমসুং য়াইফ শিন্দম নহারোল ক্লব কোম্বা খাবমগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাইখোম মোধুচন্দ্র সিংহনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইগনি হায়রি।

## স্কোলার্সিপ য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) মণিপুর ষ্টেটনা শীন্দুনা অহানবা ফেজগী স্কোলার্সিপ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পং ১ তাবদা লিলোং হাওরৈবী কলেজগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা য়েন্থোক্লগনি হায়না পি এফ আই মণিপুর ষ্টেটকী কনভেনর অবির খান্না ফোঙদোরক্লি।

## স্কুল ওঝাশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফাল, রোটরি ইন্টরনেস্নেল দিষ্ট্রিক্ট ৩২৪০ না রোটরি ইন্দিয়া লিটরেসি মিসন (আর আই এল এম)গী টিচ প্রোগ্রামগী মখাদা শীনবা জেদ ই ও জোন ৱান অমসুং টু গী স্কুল ওঝাশিংগী ওইবা নুমিৎ নীনিগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি রোটরি মল্টিসার্ভিস সেন্টর মন্ত্রিপুখ্রিদা লোইশিনখ্রে।

রোটরি ক্লব ওফ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট দব্লিউ রবিচন্দ্রনা ফোঙদো–রকখিবদি নুমিৎ নীনি চত্থরকখিবা টিচরস ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ওঝা অমসুং ওফিসার ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি। নুমিৎ নীনিগী ট্রেনিং অদুদা সেসন ৬ লৈখি।

ঙসি ট্রেনিং লোইশিনবগী ভেলিদিক্টরি ফঙ্কসন্দা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নার হরেকৃষ্ণ মংশাতাবম আই এ এস, জেদ ই ও জোন ৱান সুসিতা খুমুকচম, রোটরি ইন্টরনেস্নেল দিষ্ট্রিক্ট ৩২৪০ গী পাস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর রোটরিয়ান অজিৎ ইরোম অমদি দব্লিউ রবিচন্দ্রনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি হায়রি।

## এন আই মথাই ইন্টরপ্রাইজেসকী লাইসেন্স ককপনা চুম্লগনি ঃ ইপসা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
লৈবাক ৱাথোক ওইহল্লিবা এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজেসকী লাইসেন্স ককথৎপনা চুম্লগনি হায়না ইন্টরনেস্নেল পিছ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)না ফোঙদোরক্লি।

ইপসাগী আই পি আর সেক্রেটরী এস তোম্বীসানা মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, এফ সি আই অমসুং এফ সি এসতা থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজেসকা ইপসাগা হন্না হন্না ৱারী শান্নখিবা লৈখ্রে। হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৫ দা সি এ এফ এন্দ পি দি লেবররস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগা এন আর মথাই ইন্টপ্রাইজেসকী মীহুৎ ওইরিবা পাউনম প্রেমচান্দ মঙাংগা ইপসাগী হেদ ওফিস্তা পূন্না ফম্মিন্নদুনা লেবরশিংগী য়াইফনবা থৌরাং ফাওবা তাথোক তাশিন তৌমিন্নখ্রে। প্রেমচান্দগী ৱাহৈ ৱাতাদা লেবরশিংগী খনবা মাল্লি অদুনা অফবা থবক তৌরক্কনি খনবনি অদুবু চিনগা খূৎকা খেন্নবা থবক তৌরে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হান্না লৈজরম্বা শিন্মীশিং ঙম্মী হায়দুনা থবক্তগী লৌথোকপিবসি হাকমল্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসিদি অফবনি হায়না লৌদে। থবক শুরগা হিংলিবা শিন্মীশিংনা মঙক্তা য়োল্লিং থাংদুনা শিরনি হায়না তৌরকপা মীকুপ্তা ইমা ইবেল য়াওনা, ইপসা য়াওনা, পুলিস য়াওনা খামদোক খামজিন তৌনখিবনি। গভর্ণমেন্টনসু চারা হেল্লিবা শিন্মীশিংবু ফাজিন্দুনা জেলদা থমখিবনি। মচা মশু, নুপী অঙাং ফাওবা লম্বীদা থোক্তুনা তমজরিবা লাইরিক ফাওবা এদুকেসন দিপার্টমেন্টতা সরেন্দর তৌদুনা থম্মোয় শোক্লা পাউদম্বগা লোয়ননা লৈবাক পুংজাও থিনখ্রবনি। অসিগুম্বা কয়া অসিদা ইপসনা য়েংদুনা লৈবা ঙমলক্রে। তঙাই ফদনা মীৎয়েং চঙবগী মথৌ তারে। মরম অদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা পুম্নমক্না মতম চানা থবক্কী শিন্থোং খঙদবা এন আই মথাই ইন্টরপ্রাইজেসকী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপগী মতম ওইরে। ফার্ম অসি জিরিবামদসু ৱাথোক ওইরি। ইম্ফালদসু ৱাথোক ওইরে। অসিগুম্বা ৱাথোকহল্লিবা ফার্ম অসিগী লাইসেন্স ককথৎপনা চুম্লগনি হায়বগী অকনবা ৱাফমসু থম্লি।

## নুপী ইজ্জৎ মাঙহনবা অমসুং হাৎপগা মরী লৈনবা কেসশিং অথুবদা লোইশিন্নবা আপিল তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
ৱুমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (ৱাদ), কনফ্লিক ৱিদোজ ফোরম, দ পিপল এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্ট), এনভাই–রোনমেন্ট কঞ্জার্ভেসন নেটৱার্ক, পিপলস ফোর হ্যুমেন রাইট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং য়ুথ এক্সন কম্মিটি ফোর প্রোটেক্সন ওফ ইন্দিজেনস পিপলগী অপূনবা খন্ন–নৈনবগী মীফম কৈশাম্পাৎতা লৈবা ই এম এ কনফরেন্স রুমদা পাঙথোকপগা লোয়ননা নুপী অমসুং নৈশাবী কয়া ইজ্জৎ মাঙহনবা অমসুং হাৎপগা মরী লৈনবা কেসশিংগী থিজিন হুমজিনবা অমসুং ৱায়েল অথুবদা লোয়শিন্নবা মণিপুর গভর্ণমেন্টদা আপিল তৌখ্রে।

দব্লিউ এ দিগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী নভেম্বর ১৮ দা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা চহী ৩১ রোম শুরবী নুপী অমা অসাম রাইফলসকী নুপী পার্সোনেলশিংনা ওৎ–নৈখিবা, ২০১৫ মে থাদা মোরে গেট নম্বর টুদা চহী ৫০ রোম শুরবী নুপী অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা, চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর অমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী য়ৌরবুং পান্থোইবী লৈকাইদা লৈবা মীওই অমনা নুপীমচা অমা ইজ্জৎ মাঙহনবিরগা হাত্তোকপিখিবা, ২০১৫ ফেব্রুৱারি থাদা নমদুনা ইজ্জৎ মাঙহনবিখিবী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হাওরংদগী নুপীমচা অমা চৎলিবা চহী অসিগী আগষ্ট ৪ দা সুসাইদ তৌদুনা শিখিবা অমদি ২০১০ দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা বোরায়াংবিদগী নুপীমচা অমা ইজ্জৎ মাঙহল্লগা হাত্তোকপিখিবগী মরী লৈনবা কেস কয়া অপূনবা মীফম অদুনা খন্নখি। অসিদসু নত্তনা অসিগুম্বা মখলগী কেস কয়া অমদি লৈহৌরিবা অমসুং ভেক্তিমগী ইমুং মনুংনা অচুম্বা ৱায়েল ঙাইদুনা লৈরিবা কয়াগী মতাংদসু খন্নরদুনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং লো মিনিষ্টরনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিনবা আপিল তৌখিবনি।

মীফম অদুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খুদেংথাবিদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নখিবা অসাম রাইফলস পার্সোনেলশিং অদু খুদক্তা ফাদুনা মখোয়গী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবা, জষ্টিস জিবন রেদ্দি কম্মিসনগী রিপোর্ট ২০০৫, জষ্টিস সন্টোস হেদগে (সুপ্রিম কোর্ট) কম্মিসন রিপোর্ট ২০১৩ অমসুং সেকেন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিপোর্টনা রিকমেন্দ তৌবশিং ইকায় খুম্নবা উত্তুনা অফস্পা ১৯৫৮ রিপিল তৌবা, তেংনৌপল অমসুং খুদেংথাবিদা লৈবা অসাম রাইফলস ষ্টেসন লৈবাক অসিগী লো অমসুং দিমোক্রেসিবু ইকায় খুম্নবা সেক্যুরিটি ফোর্স্না মহুৎ শিনবা অমসুং ষ্টেট অসিগী সেক্যুরিটি সেক্টর রিফোর্ম অমদি ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেম রিফোর্ম য়েংশিন্দুনা ইনভেষ্টিগেসন্দা থেংথহল্লিবা অসিগী মরম থিজিন্নবা মনীং তঙ্বা কম্মিসন অমা শেম্বিয়ু হায়নসু মখা তানা তকশিল্লি।

মীফম অদুগী তুংদা মালোম মাস্যাকর মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা কেন্দল থান্দুনা এক্সত্রা জুদিসিয়েল কিল্লিংদা চেন্নবা ষ্টেট পুলিস কম্মান্দোদা নত্তনা অসাম রাইফলসসু ট্রাইয়েল প্রোসেস অসিদা কোনশিনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরি।

## স্কোলাষ্টিক এগজামগী মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে

চান্দেল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
অনাল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এল টি) ব্রাঞ্চ চকপিকারোংনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ইশিং ইভাল না পিতে (স্কোলাষ্টিক এগজাম) গী মনা মথুম ঙসি চকপিকারোং বজারদা লৈবা বি দি বেলুং মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়েন্থোকখ্রে।

সব দিভিজনেল হেদ ক্বার্টরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুলগী মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা কম্পিটিটিভ এগজাম অসি কেটেগোরি ৩ থোক্লা পাঙথোকখিবনি। মদুদা মহৈরোয় ১৫০ হেনবনা শরুক য়াখি। মখোয়গী মনুংদা মহৈরোয় ১৩ না আউটষ্টেন্দিং পার্ফোমেন্সকী মনা ফংখিবনি। এগজাম পাঙথোকখিবা কেটেগোরিশিং অদুদি ক্লাস নাইন অমসুং টেন, ক্লাস সিক্সতগী আইট অমসুং ক্লাস ৱানদগী টু ফাওবনি হায়রি।

## মোইরাং এ সিগী এম এল এবু মিংচৎ থিনবা হোৎনবিগনু ঃ এসো

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মোইরাং এ সিবু মোদেল কন্সটিট্যুয়েন্সি অমা ওইনবগীদমক দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া থবক্তা ওন্থোকপা অমসুং ওন্থোক্কবা হোৎনরিবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী এম এল এবু মিংচৎ থিনবা হোৎনবিগনু হায়না ওল মোইরাং য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ফার্মরস এসোসিয়েসন্না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল বি এস সিংহনা ঙসি মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কিলোমিটর ১৯ লোম শাংবা মোইরাং লো কোনেল তেংথোক্তুনা লৌমীশিংনা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা খরদা ওইরবসু কোকহনবিবা অমদি হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা ফ্লোরিকলচরগী অচৌবা প্লান অমা ইকো পার্কতা তৌরকপা, শেম্বীদ্রবা শঞ্জাবুং (চীঙ্গৈ লম্পাক) শেমগৎ–লকপা অমদি লম্বী থোং কয়া শেমগৎতুনা অহোংবা অমা লাক্লবা মতম অসিদা খঙহৌদনা সোসিয়েল ৱার্করনি হায়বা অমনা পংঙাং ঙাংদুনা এম এল এবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপসি লাইবক থিবনি।

এম এল এনা নীংথম মরু মরাং য়েন্থোকপদা অশেংবা লৌমীশিংদা পীদদুনা ইনাক কৈরাক খুনবশিংদা পীরে হায়না মরাল শীরকখিবা অদুগী মতাংদা এসোসিয়েসন অসিনা থিজিল্লুবদা নীংথম মরু মরাং ফংখিবা মীওইশিং অদু লৌমী অমদি পীক্লা নৎত্রগা চাউনা কিটচন গার্দেন তৌজবা মীওই ঙাক্তা ওইরমখি হায়বগী চপ চাবা প্রমান ফংলে। চহী ৩০ হেন্না গভর্ণমেন্ট সার্ভিস তৌরকপদা অমুবা কালি মচেৎ অমাফাওবা পকখিদ্রবা কেন্দ্র অসিগী এম এল এবু রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবদা করিসু নত্তবদা অরানবা তাহন্নবা হোৎনবা চুম্লোই। মখা তানা অমুক তৌরক্লবদি দিফেমেসন চার্জগীদমক শেম শাদুনা লৈ হায়বসি খঙবিবফম থোকই হায়রি।

## নম্ফালোং কৈথেল অমসুং তমুদা ইন্দিয়াগী লুপা লিশিং ২ নোট লৌ হায়বা য়াদ্রে

মোরে, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
হৌখিবা থা খরগী মমাঙদা সোসিয়েল মেদিয়াদা লুপা লিশিং ২গী নোট অথিংবা লৈরগনি, মখা তানা চৎনররোই হায়না সোসিয়েল মেদিয়াদা শন্দোরকপদগী য়ুমথং–নরিবা ম্যান্মারগী নম্ফালোং কৈথেল অমদি তমু টাউন্দা ইন্দিয়াগী লুপা লিশিং ২গী নোট লৌ হায়বা য়াদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা লল্লোন ইতিক তৌবশিং অৱাবা মায়োক্লররে।

পাউ অসিনা হায়, দুকান ফন্সিবা মীওইশিংনা লুপা লিশিং ২ গী নোট লৌ হায়বা য়াদবা অসিনা মরম ওইরগা নম্ফালোং কৈথেলদা পোৎ–চৈ লৈবা লাকপা লল্লোন ইতিক তৌবা মীওইশিং মোরেদা অমুক হল্লক্লবা য়াওরে।

পাউমী খরনা নম্ফালোং কৈথেলদা চক্তুনা দুকান ফন্সিবা মীওই কয়াদা হংলুবদা কৈথেল অদুদা পৈশা ওন্থোক ওনশিন তৌরিবা মীওইশিংনা ইন্দিয়াগী লুপা লিশিং ২ নোট অসি থিংলগনি হায়বদগী মখা তানা লৌদবনি হায়না ফোঙদোরকখি। নোংফাদোক মোরেদা কোইবা লাকপা মীওইশিংনা নম্ফালোং কৈথেলদা চঙদুনা পোৎ–চৈ লৈনবা হোৎনবদা লিশিং ২গী নোট লৌ হায়বা য়াদবদা অঙকপা ফাউনরে হায়রি।

## ক্বাক্তা পি ঐচ সি নীংথিনা মথৌ তৌবা ঙমদ্রে ঃ এম এম দব্লিউ ও

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং কেন্দ্রগী মনুংচনবা ক্বাক্তাদা লৈবা প্রাইমারি হেলথ সেন্টর মমিংতা ঙাইরে, লৈফম থোকপা ডাক্তর অমসুং ষ্টাফ নর্স লৈতবনা সেন্টর অসি নীংথিনা মথৌ তৌবা ঙমদ্রে হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়ার ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিউ ও) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরী জেনরেল ৱাহিদুর রহমন্না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অমদা হায়, ক্বাক্তা অমদি অকোয়বদা লৈবা মীয়ামগী অনা–লায়েংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লররে। ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৫০ মুক লাপ্পনা হান্নদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। অদুবু পি ঐচ সি অমা হাংবিবদগী খরমখৈ শ্বর হোন্দোক্লরম্বনি। ঙসিদি মীয়ামগী অশা পূম্বা কায়রে। লৈফম থোকপা ডাক্তর লৈতবা অমদি ষ্টাফ নর্স শুনা লৈতবা মরম্না সেন্টর অসি নীংথিনা মথৌ তৌবা ঙমদ্রে। মসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিদা মেমোরেন্দম্নচিংবা পীদুনা য়েংশিনবিনবা হায়জখিবসু লৈখ্রবনি অদুবু ঙসি ফাওবদি হন্না য়েংশিনবিদ্রি হায়নসু পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

## ৱাংজিং পৱার সব দিভিজননা কঞ্জুরমশিং অৱাবা মায়োক্লহল্লে

থৌবাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল) ৱাংজিং সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা কঞ্জুমরশিংনা মৈগী রিচার্জ তৌনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লহল্লে হায়না কঞ্জুমরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা নৌনা ৱাংজিং সব দিভিজন খাইদোক–খিবদগী সব দিভিজন অসিগী ওইনা ওন লাইন্দা রিচার্জ তৌবা য়াখিদ্রে। প্রিপেদ মিটর রিচার্জ তৌবদা সব দিভিজন অসিগী ওইনা ওফিসতা চক্তুনা তৌহনবনা মরম ওইরগা ওফিস মতম হেনখ্রবদি রিচার্জ তৌফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরি। হৌজিক ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজাম নকশিল্লকপা অসিনা রিচার্জ তৌবদা খুদোংচাদবদগী মৈ মম্বগী ফিভমদা লৈরে। মরম অদুনা ৱাংজিং সব দিভিজনগী ওইনা ওন লাইন রিচার্জ তৌবা য়াহনবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## দব্লিউ আর দি শিন্মীশিংনা সিট ইন প্রোটেষ্ট চত্থরকপা নুমিৎ নীনি শুখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট (দব্লিউ আর দি)দা থবক তৌরিবা মাষ্টররোল,ৱার্কচার্জ অমসুং হোম গার্দশিংগী থা ৮ গী খূৎশুমন (তলব) পীথোকপিনবা দিমান্দ তৌরদুনা শিন্মীশিংনা দিপার্টমেন্ট অসিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার ওফিস কেম্পসতা সিট ইন প্রোটেষ্ট চত্থরকপা ঙসি নুমিৎ ২ নি শুখ্রে।

ওল মণিপুর দব্লিউ আর দি ইমপ্লোইজ এন্দ ৱার্করস ওর্গনাইজেসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী এন মুহিন্দ্রো সিংহনা ফোঙদোরক–খিবদি চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা মে থাদগী হৌনা শিন্মীশিংগী খূৎশুমন গভর্ণমেন্টনা পীবিদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

গভর্ণমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা কয়ারক হন্না হায়জরবসু তাবিদবদগী সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং অসি ঙরাংদগী হৌনা চত্থরকখিবনি। তাল্লিবা দিমান্দ ফংদ্রিবফাওবা খোঙজং অসি চত্থখিগনি হায়রদুনা অনৌবা দি পি সিগী ফল লাউথোক্ত্রিঙৈদা মাষ্টররোল অমদি ৱার্কচার্জশিংবু পোলিসি অমগী মখাদা কনভর্সন রিগুলরাইজেসন তৌবিয়ু হায়নসু দিমান্দ তৌরি।

## আই এম এ দিষ্টিঙ্গুইস সার্ভিস এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
কোলকতাগী বিশ্ব বঙ্গলা কনভেন্সন সেন্টর ন্যুতোনদা ঙরাংদগী ঙসি ফাওবা চত্থখিবা ৯৪ শুবা এন্যুনেল নেস্নেল কনভেন্সন ওফ ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (নটকোন) ২০১৯ দা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই এম এ) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াখিবশিংদা আই এম এ দিষ্টিঙ্গুইজ সার্ভিস এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, নুমিৎ নীনি চত্থখিবা নেস্নেল কনফরেন্স অদুদা লৈবাক অসিগী হেলথ ক্যার সিনরিও অমসুং মেদিকেল ফেটর্নিটিগী মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা ইসু কয়া কূপ্না অমসুং নীংথিনা খন্নখি। নেস্নেল কনফরেন্স অদুদা আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী মীহুৎ ওইখিবশিং পাস সেক্রেটরী অমসুং সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটি মেম্বর ডা. সিনাম রাজেন্দ্র সিংহ, প্রসিদেন্ট অমসুং পাস সেক্রেটরী ডা. শ্যামকুমার লাইশ্রম, সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটি মেম্বর অমসুং পাস সেক্রেটরী ডা. এ বিবেকানন্দ সিংহ অমদি সেক্রেটরী ডা. নেলসন লোইতোংবমদা আই এম এ দিষ্টিঙ্গুইস সার্ভিস এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখিবনি হায়রি।

## ইষ্টর্ন রিজনেল রাইটরস মিট ঙসিদগী ইম্ফালদা হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লিগা খূৎশম্নরগা নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি ইম্ফালগী দাইমন্দ জুবিলিগা মরী লৈননা নুমিৎ নীনি চত্থগদবা ইষ্টর্ন রিজনেল রাইটরস মিট হয়েং নোংমাইজিং নুমিত্তগী জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালদা হৌদোক্লগনি।

নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরী এ সি নেত্রজিৎনা ফোঙদোরকখিবদি ইষ্টর্ন রিজনেল রাইটরস মিট অসি শক্লাইরবা থিয়েটর পার্সোনেলিটি অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মিনিষ্টর ব্রাত্যা বাসুনা হৌদোক্কনি। সাহিত্য একাদেমি মণিপুরী লেঙ্গোইজ এদভাইজরি বোর্দকী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা ৱাহৌদোক পীবগা লোয়ননা বোর্দ অসিগী কনভেনর ওইরম্বা প্রো. হুইরেম বিহারি সিংহনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীগনি।

থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমিগী ইষ্টর্ন রিজনেল বোর্দ কনভেনর সুবোধা সরকারনা থৌরম মপু ওইগনি। ৱারী মচা অমদি শৈরেং পাথোকপা মাই কনতেম্পোরারি রাইট অমদি হ্বাই দু আই রাইট হায়বা থৌরমশিংসু মখা চত্থগনি। মসিদা অসামি, মাইথালি, উরিয়া, সান্তালি, মণিপুরী, বেঙ্গলি, নেপালি, বোদোগী অইবা ২০ মুক্না শরুক য়াগনি। সাহিত্যবু নুংশিবিবশিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবিনবসু পাউজেল পীরি।

## জেনরেল রৱতনা আর্মি এক্টকী সেক্সন ২১ থুগায়রে ঃ সি পি আই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (এস এন এস )ঃ
লৈবাক অসিগী আর্মি চীফ জেনরেল বিপিন রৱতনা এন্টি–সি এ এ প্রোটেষ্টকী মায়োক্তা থমখিবা ৱাফম অদু মহাক্কী সার্ভিস রুল থুগায়বনি অমসুং আর্মিগী মেটরগা মরী লৈনদবা ৱাফম ফোঙদোকপা য়াদবগী অথিংবা অদুবুসু শীংনবনি হায়না নেস্নেল সেক্রেটরিয়েৎ কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সি পি আই)না ফোঙদোকখ্রে।

সি পি আই সেন্ট্রেল ওফিস ন্যু দিল্লিগী ওফিস সেক্রেটরী রোই পুতেনো ঙরাং ন্যু দিল্লিদা থাদোকখিবা চেরোল অমনা হায়, আর্মি এক্ট ১৯৫০ গী সেক্সন ২১ না মথৌদা লৈরিবা আর্মি পার্সোনেলশিং খ্বাইগী মকোক্তগীনা মমৈ ফাওবনা মখল অমত্তগী রাজনিতিগী মীৎয়েংদা মত পীবদা চপ চানা অথিংবা থম্লি। অদুনা জেনরেল বিপিন রৱতনা এন্টি – সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০১৯ –সি এ এ প্রোটেষ্ট তৌবগীদমক পীখিবা ৱারোল অদু অরানবা খোঙথাংনি হায়না লৌই।

জেনরেল রৱত চৎলিবা থা অসিগী ৩১ লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা আর্মি চীফতগী পোত্থরগদবা অদুগা লৈবাক অসিগী অহানবা ওইনা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ ওইনা হাপ্পবা থৌরাংলিবা মীশক অমনি। হায়রিবা ফম অসি গভর্ণমেন্টকী ত্রাই–সার্ভিস মেটরদা সিঙ্গল পোইন্ট মিলিটরি এদভাইজর ওইগদৌরিবনি। অদুবু অসিগুম্বা মীশক অমদা দিফেন্স সার্ভিসকী খ্বাইদগী ৱাংবা পোষ্ট পীবা অসিদি গভর্ণমেন্টকী মখুত্তা লৈ হায়রদুনা ইলেক্সন্দা মীয়াম্না পীবা রাইগী মতুং ইন্না রুল্লিং পার্টি হোংদোক হোংজিন তৌবা য়ারিবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিগী লো ওফ রুলস মথৌদা লৈরিবা দিফেন্স পার্সোনেল খূদিংমক্না খঙনা অমদি ঙাক্না চৎনবসু সি পি আইগী চেরোল অসিনা আপিল তৌরি।

## ঙসিগী রাষি ফল (২৯–১২–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, শেল ফংবা, চৎপা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। মরুপ মফম ফগৎলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** হোৎনবা য়াবা, চাউখৎপা ফগৎপা, খুদোংচাবা থেংনবা, অচৌবশিংনা চানবিবা মতম্লি। লম চৎপা চেকশিল্লু। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** অশোক অপন থেংনবা, কোক শাবা, শেল চৎপা মতম্লি। অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫,৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** শাওনবা, খৎনবা, কোক শাবা মতম্লি। শোক্কনগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮ ফগনি, ৯ খরা ফগনি।

**সিংহঃ** খুদোংচাবা, কান্নবা ফংবা মতম্লি। হোৎনবা য়াগনি। হকচাং ফগৎলগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১,১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়ারগনি। মরুপ মফম ফগৎলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১২,১৩,১৪ অফবনি।

**তুলাঃ** শোক্তনবা হোৎনজগনি। শেল চৎলগনি। শাওদবা ফগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫ ফগনি, ১৬ হেন্না ফত্তে।

**বৃশ্চিকঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, তোখাই তাবা মতম্লি। শেল চৎলগনি। চেকশিন্না হোৎনরবদি অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭ ফগনি, ১৮ ফত্তে।

**ধনুঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, লম চৎপা হৈ শিংবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ ফগনি।

**মকরঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, হকচাং ফগৎপা মতম্লি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** শোক্কনবা খৎনবা মতম্লি। তপথবা ফগনি। শেল চৎপা মতম্লি। অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

**মীনঃ** খৎনবা, ৱারৌবা মতম্লি। শেল চৎলগনি। য়েক্নবা হেনগৎলি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬,২৭ অফবনি।







